# চেন্নাইনা ফুটসাল প্রেমীয়র লীগকী মেচ তরুক য়ূম্থু ওইদুনা পাঙথোক্লগনি

## স্কোলস, গিগস প্রেমীয়র ফুটসালদা শরুক য়ারনবা ইন্দিয়াদা থুংখ্রে



চেন্নাই, জুলাই ১৩ঃ
লাক্লিবা জুলাই ১৫ দগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা এন্যুগুরেল সিজনগী ফুটসাল প্রেমীয়র লীগতা শরুক য়াগদবা টিমশিং অমদি ফিক্সরশিং মফম অসিদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা প্রেমীয়র ফুটসালনা লাউথোকখ্রে।

ব্রাজিলগী মমিং লৈরবা লেজেন্দ রোনালদিনহোনা গোৱাদা শান্নগনি। অদুগা রয়ন গিগসনা মুম্বাই, পাউল স্কোলসনা বেঙ্গলুরু, হর্নান ক্রেস্পোনা কোলকটা, মাইকেল সালগাদোনা কোচি অমদি ফালকাওনা চেন্নাইদা শান্নগনি।

কম্পিটিসন অসি সিটি তরুক্তা বেজ তৌবা ফ্রেঞ্চাইজশিংনা গ্রুপ অনী খায়দোক্তুনা শরুক য়াগনি। গ্রুপ এদা চেন্নাই ফাইভস, মুম্বাই ফাইভস অমদি কোচি ফাইভসনি। অদুগা গ্রুপ বিদা গোৱা ফাইভস, কোলকটা ফাইভস অমদি বেঙ্গলুরু ফাইভসনি। অপূনবা মেচ ১৫ শান্নগদবা টুর্নামেন্ট অসিদা সেমী ফাইনেল অমদি ফাইনেলসু য়াওরে। মেচশিং অসি চেন্নাই অমদি গোৱাদা শান্নগনি।

চেন্নাইনা অহানবগী মেচ তরুক য়ূম্থু ওইদুনা পাঙথোক্কনি অমদি জুলাই ২৪ ফাওবা চথুগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অরেম্বা মেচশিংনা গোৱাদা শান্নগনি।

মমাঙগী ব্রাজিল অমদি বার্সেলোনাগী ষ্টার রোনালদিনহোনা গোৱাগী মরু ওইবা প্লেয়র ওইরি। রয়ন গিগসনা মুম্বাইগী, পাউল স্কোলসনা বেঙ্গলুরুগী, হর্নান ক্রেস্পোনা কোলকটাগী অমদি মাইকেল সালগাদোনা কোচিগী মরু ওইবা প্লেয়র ওইরি। চেন্নাইগীনা মালেমগী মমিং লৈরবা ফুটসাল্লর ফালকাওনা মরু ওইবা প্লেয়র ওইরি।



হান্নগী মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী টিমমেট পাওল স্কোলস (ওই) অমদি রয়ন গিগস

পাউগী মীফম অদুদা কো-ফাউন্দর অমদি সি ঈ ও অভিনান্দন বলাসুব্রামনিয়ম, এম দি অমদি কো ফাউন্দর, প্রেমীয়র ফুটসাল দিনেশ রাজ, কো ফাউন্দর, প্রেমীয়র ফুটসাল ভিমালা ব্রিত্তো অমদি ফুটসাল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট নামদেভ শিরগাওঙ্করনা শরুক য়াখি।

গ্রুপ এ : চেন্নাই ফাইভস : ওনর : চেন্নাই সিটি ফুটসাল ক্লব এল এল পি; কোচ : নে পেরৈরা; মরু ওইবা প্লেয়র : ফালকাও।

মুম্বাই ফাইভস : ওনর : দি সি দিজাইন; কোচ : ফেলিস মাষ্ট্রোপিরো; মরু ওইবা প্লেয়র : রয়ন গিগস।

গোৱা ফাইভস : ওনর : ভিকিং মেদিয়া এন্দ ইন্টরটেনমেন্ট প্রাইবেট লিমিটেদ; কোচ : ওষ্টাভিও গোমেজ দি ওলিভৈরা জুনিয়র; মরু ওইবা প্লেয়র: রোনালদিহো।

গ্রুপ বি : কোলকটা ফাইভস : ওনর: খৃষ্টিয়ন রোল্ডান; মরু ওইবা প্লেয়র : হর্নান ক্রেস্পো।

বেঙ্গলুরু ফাইভস : ওনর : পুনীথ রাজকুমার; কোচ: জুঅন জোস বর্নাল সিরে; মরু ওইবা প্লেয়র পাউল স্কোলস।

কোচি ফাইভস : ওনর : ঈ এস ইন্টরটেনমেন্ট; কোচ : সর্গিও সাপো; মরু ওইবা প্লেয়র মাইকেল সালগাদোনি।

অমরোমদা মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী লেজেন্দ রয়ন গিগস অমসুং পাওলস্কোলনা ইরাই নুমিত্তগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা প্রেমীয়র ফুটসাল ইভেন্টতা শরুক য়ারনবগীদমক য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক্তা চেন্নাই এয়রপোর্টতা থুংখ্রে।

মমাঙগী ব্রাজিলিয়ন সুপর ষ্টার রোনালদিনহো গৌচোনা চেন্নাই অমদি গোৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফাইভ এ সাইদ ফুটবোল ইভেন্ট অসিগীদমক ইন্দিয়াদা অথুবদা থুংলরগনি হায়না মহাক্কী ট্যুটরদা ফোঙদোকখি।

ব্রাজিলিয়ন অসিনা গোৱাদা বেজ তৌবা সাইদতা কেপ্তেন ওইগনি। অদুগা গিগস অমদি স্কোলনা মথংশিংনা মুম্বাই অমদি বেঙ্গালুরু টিমবু লুচিংগনি।

ফুটসাল ষ্টার ফালকাও, হান্নগী রিএল মেদ্রিদকী প্লেয়র মাইকেল সলগাদো অমদি অর্জেন্টনাগী লেজেন্দ হর্নান ক্রেস্পোনা লুইস ফিগোনা লুচিংবা ফুটসাল ইভেন্ট অসিদা লাক্তুনা শরুক য়ারগনি।

টিম তরুক্না গ্রুপ অনী থোক্তুনা চথুগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদগী গ্রুপ অনীগী টোপ টিমনা সেমী ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনগনি। ফাইনেলনা জুলাই ২৪ দা গোৱাদা পাঙথোক্কনি।

গ্রুপ এদা চেন্নাই, মুম্বাই অমদি কোচিগী টিমশিংনা শরুক য়াগনি। অদুগা চেন্নাইগী ফ্রেঞ্চাইজনা চেন্নাই সিটি ফুটসাল ক্লব এল এল পিনা মপু ওইরি। কার দিজাইনর দিলিপ চাহাব্রিয়ানা মুম্বাই আউটফিটকী মপু ওইরি। গোৱা, কোলকটা অমদি বেঙ্গলরনা গ্রুপ বিদা য়াওরি।

বেঙ্গলি এক্টর জিটনা গ্রাসরুট ইন্টরটেনমেন্ট প্রাইভেট লিমিটেদপু লুচিংদুনা কোলকটা ফ্রেঞ্চাইজগী মপু ওইরি। অদুগা কনাদাগী এক্টর পুনিট রাজকুমারনা বেঙ্গলোরগী টিমগী ওর্নর ওইরি। গোৱাগী টিমবু এক্টর সচিন জোসিনা মপু ওইরি।

# য়ু এস ওপনগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ননা য়ু এস দি মিল্লিয়ন ৩.৫ ফংগনি

ন্যু য়োর্ক, জুলাই ১৩ ঃ চহী অসিগী ওইনা লাক্লিবা ওগষ্ট ২৯ দগী চথুবা হৌগদৌরিবা য়ু এস এ ওপনগী মেন'স অমদি ৱিমেন'সকী সিঙ্গলস চেম্পিয়নশিংনা রেকোর্দ ওইনা য়ু এস দি মিল্লিয়ন ৩.৫ গী শেনফম ফংলগনি।

অনৌবা শেনফম অসি কুমজা ২০১৫ দা লৈখিবা য়ু এস দি মিল্লিয়ন ৩.৩ অদুদগী হেনগৎলবনি। য়ু এস এ টেনিস এসোসিএশন্না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লাউথোকখিবা মতুং ইন্না টুর্নামেন্ট অসিগী অপূনবা শেনফমনা য়ু এস দি মিল্লিয়ন ৪৬.৩ ওইরি। মসি চহী অমগী মমাঙদা লৈরম্বা শেনফমদগী য়ু এস দি মিল্লিয়ন ৪ হেনগৎলবনি। য়ু এস ওপন অসিনা মেজর টুর্নামেন্ট মরিদগী খ্বাইদগী য়াম্বা শেনফমগী মনা ওইনা পীবসু ওইরি হায়না ফোঙদোকখি।

ওপন অসিগী রন্নর্স-অপ তাবা অদুনা য়ু এস দি মিল্লিয়ন ১.৭৫ ফংগনি। অদুগা ফার্ষ্ট রাউন্দদা মায়থীহৌবা প্লেয়র অদুনা য়ু এস দি ৪৩.৩০০ ফংগনি। অদুগা দবলসকী মায় পাক্লবা টিমনা য়ু এস দি ৬২৫,০০ ফংগনি হায়রি।


নেসনল লিটরেসি মিসন ওথোরিটি
মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট
দিপার্টমেন্ট ওফ স্কুল এদ্যুকেসন এন্দ লিটরেসি
গবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া

SAAKSHAR BHARAT

## সাক্ষর ভারত এৱার্দস ২০১৬

নেসনল লিটরেসি মিসন ওথোরিটি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা লিটরেসি অমসুং স্কিল দিভলপমেন্টগী লমদা থবক তৌরিবা ইন্সটিট্যুসনশিংবু পূক্নিং থৌগৎনবা সাক্ষর ভারত এৱার্দ লিংখৎলে। এৱার্দশিং অদু সেপ্টেম্বর ৮, ২০১৬ তা ইন্টরনেসনল লিটরেসি নুমিৎকী থৌরমদা খুদোল তৌগনি।

**সাক্ষর ভারত এৱার্দস** ২০১৬ কীদমক্তা মখাগী কেটেগোরিশিংগী ওইনা এপ্লিকেসনশিং কৌজরি ঃ

১. **ষ্টেট** – ষ্টেট লিটরেসি মিসন ওথোরিটি (এস এল এম এ) শিং

২. **দিষ্ট্রিক্ট** – জিলা লোক সিক্ষা সামিটি (জেদ এল এস এস) শিং

৩. **গ্রাম পঞ্চায়েট** – গ্রাম লোক শিক্ষা সামিটি (জি এল এস এস) শিং

৪. **রিছোর্স সপোর্ট ওর্গনাইজেসনশিং** হায়বদি এদল্ট এন্দ কন্টিন্যুইং এদ্যুকেসনগী য়ুনিভর্সিটি দিপার্টমেন্টগুম্বা, এস আর সিশিং, জে এস এসশিং অমসুং অতৈ ওর্গনাইজেসনশিং।

সাক্ষর ভারত এৱার্দসকী এপ্লিকেসনশিং অদু অখন্নবা শেম্বা জুরি অমনা স্ক্রুটিনি অমসুং ফাইনেলাইজ তৌগনি। এৱার্দকী কেটেগোরি খুদিংগী ওইনা এপ্লিকেসন তোঙান্না থাগদবনি। প্রেস্ক্রাইব এপ্লিকেসন ফোর্মশিং অদু এস এন দি টি ৱিমিন'স য়ুনিভর্সিটিগী ৱেবসাইট : **sndt.ac.in** দা ফংগনি।

মেনশিল্লবা এপ্লিকেসনগী হার্দ কোপি অদু তঙাইফদনা চঙগদবা সপোর্টিং দোক্যুমেন্টশিং, ইভিদেন্সশিং অমসুং ফোটোগ্রাফশিংগা লোয়ননা **সে. নম্বর ১ দগী ৩ ফাওবদা পল্লিবা এৱার্দশিং অদুগীদমক্তা এস এল এম এগী খুখাংদা** থাগদবনি। সে. নম্বর ৪ (রিছোর্স সপোর্ট ওর্গনাইজেসনশিং হায়বদি এদল্ট এন্দ কন্টিন্যুইং এদ্যুকেসনগী য়ুনিভর্সিটি দিপার্টমেন্টগুম্বা, এস আর সিশিং, জে এস এসশিং অমসুং অতৈ ওর্গনাইজেসনশিং) গী এৱার্দকী এপ্লিকেসনশিং অদু দাইরেক্ট ওইনা থাগদবনি। এনভলপকী মথক থংবা শরুক্তা এৱার্দকী কেটেগোরি শেংনা পনগদবনি।

এপ্লিকেসনশিং অদু **স্পিদ পোষ্ট (ইন্দিয়ন পোষ্টেল সার্ভিসেস)** খক্তগী খুখাংদা মখাদা পীরিবা এদ্রেস অসিদা **জুলাই ২৬, ২০১৬ তা নৎত্রগা মমাঙদা নুংথিল পুং** ০৪:০০ ফাওবগী মনুংদা য়ৌগদবনি। অপীবা তারিখকী মতুংদা ফংবা এপ্লিকেসন খন্নরোই অমসুং ইথিল পীবগী মওং খুদিংমক দিসক্কালিফিকেসননি হায়না খন্নগনি।

**দিরেক্টর, দিপার্টমেন্ট ওফ কন্টিন্যুইং এন্দ এদল্ট এদ্যুকেসন এন্দ এক্সটেন্সন ৱার্ক, এস এন দি টি ৱিমেন'স য়ুনিভর্সিটি, ফার্ষ্ট ফ্লোর, পাটকর হোল বিল্ডিং, ১, নাঠিবাই থাক্করসে রোদ, মুম্বাই- ৪০০ ০২০, ইন্দিয়া।**

### সাক্ষর ভারতকী মখাদা এচিভমেন্টশিং

- কুমজা ২০০৯ দগী ষ্টেট ২৬ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমগী লো ফিমেল লিটরেসি দিষ্ট্রিক্ট ৩৯৭ কী খুঙ্গংগী এরিয়াশিংদা অহানবা ওইনা প্রোগ্রাম হৌদোকখি।
- মহৈরোয় মিলিয়ন ৪৪.৫৯ (নুপী মিলিয়ন ৩১.৮১ য়াওনা) নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ওপন স্কুলিংনা ২০১০ দগী ২০১৫ গী ওগষ্ট ফাওবদা কন্দক্ট তৌখিবা বেসিক লিটরেসি এসেসমেন্টশিং মাই পাক্না পাস তৌখি।

davp 21102/11/0002/1617


## ইন্দিয়ানা আই সি সি টেষ্ট রেঙ্কিংদা অনীশুবদা লৈখ্রে

দুবাই, জুলাই ১৩ঃ
ইন্দিয়ানা আই সি সি টেষ্ট রেঙ্কিংগী লিষ্টতা অনীশুবা মফমদা লৈখিবগা লোয়ননা রবিচন্দ্রন অশ্বিননা ওল রাউন্দরগী লিষ্টতা খ্বাইগী মকোক্তা অদুগা বোল্লিংগী লিষ্টতা অনীশুবা মফমদা লৈখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা আই সি সিনা থোকখিবা খ্বাইদগী নৌবা টেষ্ট রেঙ্কিংদা ইন্দিয়ানা মেচ ২০ শান্নখিবদা পোইন্ট ২২৩৮ ফংখিবগা লোয়ননা রেট্রিংদা ১১২ দা লৈদুনা অনীশুবা মফম কনবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা মেচ ৩২ শান্নখিবদা পোইন্ট ৩৭৬৫ অমদি রেট্রিংদা ১১৮ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। পাকিস্থানসু মেচ ২০ শান্নখিবদা পোইন্ট ২২২৭ অমদি রেট্রিং ১১১ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈদুনা ইন্দিয়াগা য়াম্না নক্না চৎমিন্নরি।

ইংলেন্দনা মেচ ৩৬ শান্নখিবদা পোইন্ট ৩২৭২ ফংদুনা রেট্রিংদা ১০৮ ওইদুনা মরিশুবা পোজিশন্দা লৈখি। ন্যুজিলেন্দনা মেচ ২৫ শান্নখিবদা পোইন্ট ২৪৪৯ অমদি রেট্রিংদা ৯৮ ওইদুনা মঙাশুবা, সাউথ অফ্রিকানা মেচ ২২ দা পোইন্ট ২০১৫ অমদি রেট্রিংদা ৯২ ওইদুনা তরুকশুবা, শ্রী লঙ্কানা মেচ ২৮ দা পোইন্ট ২৩৮৩ অমদি রেট্রিংদা ৮৫ ওইদুনা তরেৎশুবা মফমদা, ৱেষ্ট ইন্দিজনা মেচ ২১দা পোইন্ট ১৩৭৪ অমদি রেট্রিংদা ৬৫ ওইদুনা নিপানশুবা, বংলাদেশনা মেচ ১২ দা পোইন্ট ৬৮৭ অমদি রেট্রিংদা ৫৭ ওইদুনা মাপনশুবা অমসুং জিম্বাবৱেনা মেচ মরিদা পোইন্ট ৪৮ অমদি রেট্রিংদা ১২ ওইদুনা তরাশুবা মফমদা লৈখি।

ইন্দিয়াগী অশ্বিননা ওল রাউন্দরগী লিষ্টতা খ্বাইগী মকোক্তা লৈবা ঙমখি। অদুগা আই সি সি টেষ্ট রেঙ্কিংগী বোলর লিষ্টতা অনীশুবা মফমদা লৈখি।

ইংলেন্দগী বেটসমেন জো রুটনা বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈবা ঙমখি।

# রিও দি জানৈরোনা মালেমগী মীয়ামবু হরাও তরাম্না ওক্লবা খূৎ লোন্নদুনা ঙাইখ্রে

রিও দি জানৈরো, জুলাই ১৩ঃ
লাক্লিবা ওগষ্ট ৫ দগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা রিও ওলেম্পিক গেমসগীদমক ব্রাজিলিয়ন সিটি রিও দি জানৈরোনা মালেমগী মীয়ামবু হরাও তরাম্না ওক্লবা থৌরাং তৌদুনা লৈরে হায়না ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) না লাউথোকখ্রে।




ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) গী রিও ২০১৬ কী কোওর্দিনেসন কম্মিসনগী চ্যেরমেন নরাল ইল মৌটাৱাকেলনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা হায়খি, গেমস অসিবু পাঙথোক্কদৌরিবা মফমশিং গেমস অসি হৌদ্রিঙৈ মাঙওইননা লোকল ওফিসলশিংগা অরোইবা ওইনা উনরুরে অমদি সিটি অসিদা গেমসকীদমক শেম-শারিবশিং অপেনবা পোকই হায়বা ৱাফম পাউগী এজেন্সী অমনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ব্রাজিলগী মীয়াম অসি লৌশিং তাবা অমদি ঈং-তপ্পা মীওইশিংনি। মখোয়না মীতোপশিংবু কমদৌনা তরাম্না ওক্কনি অমদি লোয়নগনি হায়বদু চপ চানা খঙবা অমদি পুন্সিবু পেন্থোক্না হিংবা অদুগুম্বা মীওইশিংনি। লাক্লিবা ওগষ্টতা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী রিওদা লাক্কদৌরিবশিংনা মসিগী এক্সপরিয়েন্স অসি শোয়দনা ফংগনি হায়না মৌটাৱাকেলনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৮৪ গী লোস এঞ্জেলসতা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্সতা নুপীগী মিটর ৪০০ গী হর্দলসতা মায় পাকখিবী মৌটাৱাকেলনা হায়, কুমজা ২০১৬ কী রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াগদবা ওলেম্পিয়নশিংনা খ্বাইদগী মপুং ফারবা ওলেম্পিক ভিলেজদা লৈবগী খুদোংচাবা ফংলগনি অমদি কম্পিট তৌবসু ফংলগনি।

কোর্কোভাদো অমদি সুগুরলেফ মাউন্টেনদগী বরা নৎত্রগা দিও দোরোদা নৌনা শেমগৎপা ষ্টেট ওফ দ আর্টকী ফেসিলিটিশিং অমদি পূক্নিং চিংশিন্নিংঙাই ওইরবা মরাকানা ষ্টেদিয়ম অমদি কোপকাবানা বিচশিং য়েংলুরগা মালেমগী মকোক্তা লৈরিবা স্পোর্টসমেন অমদি ৱিমেনশিংনা মখোয়গী মতিক মথৌনা অদু মীয়ামদা উৎথোক্লবা মসিদগী হেন্না মফম চাবা অমা ফংগনি হায়বসি ঐনা লাকশিনবদা ৱানা থোকই হায়না মহাক্না হায়খি।

ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) না সিটি অসিদা মতম কুইনা লৈহৌরগদবা অনৌবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং মায় পাক্না লোইশিনবদা থাগৎপা ফোঙদোকখি। মখোয়শিং অদুগী মরক্তা সবৱে লাইন, রেল সার্ভিস, মল্টি বিল্লিয়ন দোল্লর কয়া চঙনা শাগৎখিবা পোর্ট দিষ্ট্রিক্ট অমদি এক্সপ্রেস বস লাইনশিং য়াওরি।

ব্রাজিলিয়নশিংনা সিটি অসি মতম খুদিংমক্তা নীংশিংদুনা লৈহৌরগদবা মওংদা ওম্থোক্তুনা তশেং তশেংবা অদু ওইহল্লে। মসিনা লোকল সিটিজেন্স অমদি লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু চহী তরামুক্তি কান্নবা ওইহল্লগনি হায়না চিয়ারৱুমেননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

রিও ২০১৬ কী প্রসিদেন্ট কালোর্স নুজমাননা হায়, ঐখোয়না মালেমগী মীয়াম্বু তরাম্না ওক্লবা শেম শাদুনা লৈবা অসিদা হায়নিংঙাই লৈতনা অপেনবা পোকই। হৌজিকসু তৌগদবা থবক থৌরম কয়া অমা মাঙদা তাদুনা লৈরি। মদুগীদমক ঐখোয়দা পাঙ্গল থৌনা লৈরি অদুবু ঐখোয়না মশক থোকপা গেম অমা ওইহনগনি হায়খি। লাক্লিবা ওগষ্ট ৫ দগী ২১ ফাওবা ওলেম্পিক্স গেমস পাঙথোক্কনি অদুগা পরালিম্পিক্সনা সেপ্টেম্বর ৭ তগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

# প্রাটিক চৌধুরিনা আই এস এলদা অহানবা ওইনা কেরলা ব্লাষ্টরগীদমক শান্নরগনি




কোচি, জুলাই ১৩ঃ
প্রাটিক চৌধুরিবু ইন্দিয়ন সুপর লীগ ২০১৬ তা শরুক য়াগদৌরিবা কেরলা ব্লাষ্টরস এফ সিদা শান্ননবগীদমক খূৎয়েক পীনখ্রে হায়না ক্লব অসিনা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা লাউথোকখিবগা লোয়ননা অনা চৌধুরিনা লীগ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা অসিনা মহাক্কী অহানবসু ওইরগনি।

হৌজিক দিফেন্দর ওইনা শান্নরিবা চৌধুরিনা মহৈরোয় ওইরিঙৈদা মুম্বাইদা লৈবা সেন্ট সেবাষ্টিয়ন, চেম্বুরদা শান্নখিবদগী ইন্দিয়ন সুপর লীগতা য়ৌরকখি। মহাক্না বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া অমদি য়ুনিয়ন বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদা শান্নরিঙৈদা নুমিদাংগী মতমদা কোল-সেন্টরদা থবক তৌখি। মহাক্না এয়র ইন্দিয়াদা থবক চঙদ্রিঙৈদা কুমজা ২০১১ দা আই লীগতা শরুক য়াখি। অদুবু লাইবক থিবনা মহাক্কী মখুউদা শোকখিবদগী কুমজা ২০১২ দা শিঙ্গাপুর অমদি ভিয়েটনামগা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা ফ্রেন্দলি মেচকী ইন্দিয়াগী প্রোবেবল লিষ্টতা খনখ্রবসু কেম্পতা য়াওবা ঙমখিদে।

চৌধুরিনা কুমজা ২০১৪ গী ওগষ্টতা মোহন বগান্দা জোইন তৌখি। মহাক্না আই লীগ ২০১৫-১৬ তা মুম্বাই এফ সিগীদমক মেচ ১৩ দা শরুক য়াখি।

চৌধুরিনা হায়খি, ঐনা অহানবা ওইনা ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) তা কেরলা ব্লাষ্টরগীদমক শান্নগদবা অসিদা নুঙাইবা পোকই। ঐনা ঐগী লৈজরিবা তৌবা ঙম্বা শক্তি অদু উৎথোক্তুনা টিম অসিগীদমক শান্ননবা মাঙদা মিৎয়েং থল্লি অমদি মেনেজমেন্টনা মখোয়গী থাজবা অদু ঐঙোন্দা থল্লি হায়খি।

কেরলা ব্লাষ্টরগী সি ঈ ও ডিরেন দি'সিলভানা হায়, প্রাটিক অসি হৈথোই শিংথোইবা শান্নরোয় অমনি অমদি মহাক্না আই লীগতা মুম্বাই এফ সি অমদি মোহন বগানগীদমক শান্নখিবা অদুদা মহাক্কী হৈথোই শিংথোইবা অদু উৎথোকখ্রে। মহাক্না কেরলা ব্লাষ্টরগী ইমুং মনুং ওইনা লাকপদা ঐখোয়না তরাম্না ওকই অমদি মহাক্না জর্সি হঙ্গামপাল লিৎতুনা শান্নগদৌরিবা অসিগীদমক মাঙদা মিৎয়েং থল্লি হায়খি।

ফুটবোল মশান্নবু পামজনা হৌরকখিবা প্রাটিক চৌধুরি অঙাং ওইরিঙৈদগী লৌবুক লম্ধাংদা মমান্নবশিংগা ফুটবোল শান্নরকখি। মহাক্না মহাক্কী পুন্সিদা খ্বাইদগী পামজবা অমা হায়রগদি ফুটবোলনি হায়না ফোঙদোকপা ফাউবা লৈখি।

মহাক্না অহানবা ওইনা ইন্দিয়ন সুপর লীগতা শরুক য়াগদৌরিবা অসিদা মশক থোক্না কেরলা ব্লাষ্টরগীদমক শান্নদুনা টিমবু মায় পাক্নবগী মায়কৈদা পুশিনগনি হায়বগী চাউরবা অশা অমগা লোয়ননা চঙশিনগদৌরি।

মহাক্না ইন্দিয়ন সুপর লীগতা টিমবু ফাইনেল ফাওবা লমজিংদুনা পুননবগী চাউরবা অশা ফাওবা তৌরি। মহাক্না লাক্লিবা সিজন অসিদা মশাদা অশোক অপন লৈত্রগদি শুংশোই শোয়দনা মহাক্কী টিমবু অৱাংবা মফমদা পুখৎকনি হায়বগী থাজবা থমখি।

# খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মালেমগী খ্বাইদগী শেল পায়বা মীওই মঙাগী মনুং চনবা ঙমখ্রে



লন্দন, জুলাই ১৩ঃ
য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপকী টাইটল লৌখ্রবা পোর্টুগলগী কেপ্তেন অমদি রিএল মেদিয়দকী ষ্টার খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা চহী অমদা মহাক্কী তোলোপ অমদি স্পোন্সরসিপ ইনকমদগী দোল্লর মিল্লিয়ন ৮৮ ফংদুনা মালেমগী খ্বাইদগী শেল পায়বা মীওই মঙাগী মনুংদা য়াওবা ঙমখ্রে।

ফোর্বসনা নৌনা থোকখিবা মালেমগী খ্বাইদগী পৈশা পায়বশিংগী লিষ্টকী মতুং ইন্না রোনাল্ডোনা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী শেল পায়বা মরিশুবা মীওই ওইখি।

পোর্টুগলনা কুমজা ২০১৬ কী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা য়ূম্থু ফ্রান্সপু ফাইনেলদা মায়থীবা পীখিবদা চাউনা মতেং পাঙখিবা রোনাল্ডোনা চহী অমদা মহাক্কী তোলোপ অমদি স্পোন্সরসিপকী ইনকম দোল্লর মিল্লিয়ন ৮৮ ফংদুনা অমেরিকাগী টেলিভিজন ষ্টার ফিল মেকগ্রোগা লেভেল মান্নবা লৈরে হায়না গোল.কোমনা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা রিপোর্ট তৌরক্লি।

দেটা অদুগী মতুং ইন্না মশাগী চহী ৩১ শুরবা রোনাল্ডোনা মহাক্কী খূৎশুমল ওইনা দোল্লর মিল্লিয়ন ৫৫ তাল্লি অদুগা অরেম্বা শেনফমশিং অদুনা মহাক্কী তোঙান তোঙানবা স্পোন্সরসিপ দিলদগী ফংবনি।

মহাক্কী স্পোন্সরসিপতা লৈরিবা মমিং চৎলবা গ্লোবেল ব্রান্দশিং অদুদি নাইকি, টাগ হুয়র, সাকুর ব্রদরস সুইটস অমদি মোন্সষ্টর হেদফোনশিং য়াওরি।

রোনাল্ডোনা বার্সেলোনাগী ফোরৱার্দ লিওনেল মেসিদগী মকোক থংনা শেল খ্বাইদগী পায়বা লিষ্ট অসিদা লৈরি। লিওনেল মেসিনা লিষ্ট অসিদা ৮ শুবা মফমদা লৈরি। অদুগা মহাক্কী ইনকমনা দোল্লর মিল্লিয়ন ৮১.৫ ফংদুনা খ্বাইদগী পৈশা পায়বা অনীশুবা ফুটবোল্লর ওইরি। শেল খ্বাইদগী পায়বা অহুমশুবা মীওই অদুনা লীব্রোন জেমসনা দোল্লর মিল্লিয়ন ৭৭ ফংদুনা ওইরি। অদুগা ম্যুজিক্সিয়ন টেলর স্বিফনা খ্বাইদগী ইনকম য়াম্না দোল্লর মিল্লিয়ন ১৭০ ফংদুনা মকোক্তা লৈরি।

ব্রিটিসকী বেন ৱান দিরেক্সন (দোল্লর মিল্লিয়ন ১১০) অমদি অমেরিকাগী অথর জেমস পেটরসন (দোল্লর মিল্লিয়ন ৯৫) অনীনা রোনাল্ডোদগী মাঙজিল থানা লৈদুনা শেল খ্বাইদগী পায়বা মীওই ওইরি।

ফোর্বসকী অনৌবা লিষ্ট অদুদা পোর্টুগলগী রোনাল্ডোনা স্পোর্টসমেনশিংগী ওইনা য়েংনরকপদা খ্বাইদগী শেল য়াম্না পায়বা শান্নরোয় ওইদুনা মকোক্তা লৈরি হায়না রিপোর্ট তৌরি। অদুগা অর্জেন্টিনা অমদি বার্সেলোনাগী ফোরৱার্দ প্লেয়র লিওনেল মেসিনা অনীশুবা শেল খ্বাইদগী পায়বা স্পোর্টস পার্সন ওইরে হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ফোর্বসনা থোকখিবা লিষ্ট অদুদা উৎলি।